## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৬

১। মণিপুরী পুৱারীদা হৈক্রু হিদোংবা হায়বসি য়াম্না চাউনা হিয়াং কুম্মৈগা লোয়ননা পাঙথোক্লি।
(ক) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তগী কুম্মৈ অসি চথরকপগে?
(খ) তেংমায় লেপ্লিবা মীওই অনীদুনা শিরিবা চেং পরেং, হৈক্রু পরেংশিংদু চেং, হৈক্রু মশীং কয়া কয়ানো?
২। ''চাউবসু কবিনি হায়বদা কনাসু য়েৎলোই। অদুবু কমলগা ফম্মিন্নবদদি য়েংবা নুংঙাইতে।'' ৱাফম অসি কবি চাউবগী মতাংদা অইবা অমনা হায়রিবনি। অইবদু কনানো?
৩। ''করিসু নত্তবা থবক্তা আ য়ৌশিন্না খঞ্জবা অসি ঐগী হৈনবীনি। অদুননি ঐনা ৱায়ার হেক হেক তৎলিবসি।'' ৱাহৈশিং অসিনা অইবা অমনা মশানা ইবা 'নোংলৈ অমসুং চা কপ' হায়বদুদা হায়রিবনি। ৱারীমচা ইবদু কনানো?
৪। ''পোলিটিকেল ওইবা ইসু অমবু মমায় খজিক লৈথোক্তুনা আর্টিষ্টিক টর্ন অমদা পুরকপা হায়বসি তরায়-তরায়বা খোরিরোলগী খূখা নত্তে। খোঙফম খজিক শোয়বদা কৈশুমশঙদা ফাদোক তাবা য়ারিবনি।'' ৱারোল অসিনা অইবী অমনা নহা অইবশিংদা চেকশিন-ৱা হায়রিবনি। অইবী অদু কনানো?
৫। 'ঈপোম বাবু: পুন্সি অমসুং থবকশিং' কৌবা পুন্সি ৱারী লাইরিক্তুগী অইবদু কনানো?

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৫গী পাউখুম

১। মণিপুরগী পুৱারীদা লাচন্দুনা লৈরি, মাইনু পেমচানা থৌরি য়ান্দুনা শিখিবা। হৌজিক ফাওবা চনু অসিগী ৱারীনা ঐখোয়গী খোরিরোলদা অচৌবা মফম অমসু কল্লি।
(ক) মাইনু পেমচানা শিখিবা কুমজা, তারিখ হায়য়ু। *: ২৯/৩/১৮৮৪*
(খ) মাগা মরী লৈনরিবা বোরাচাওবা কনাগী মচানো? *: নরসিংহ মহারাজগী*
২। ''ময়াম্না দুর্বাসা হায়রগা খঙনৈ।... মাগী মথক্তা ৱা ঙাঙবা য়াদে।'' ৱাফম অসি ক্রিটিক অমনা অইবা অমবু হায়রিবনি। অইবদু কনানো?
*: নীলবীর শর্ম্ম শাস্ত্রী*
৩। ''ৱারীমচা ইবা নবকুমার নোংমৈকাপম্বু মীরায়বা য়াবা অইবরা?'' ৱাফম অসিসু ক্রিটিক অমনা নবকুমারবু থাগৎতুনা হায়রিবনি। ক্রিটিক অদু কনানো?
*: প্রোফেসর নোংমাইথেম তোম্বী সিংহ*
৪। ঐখোয়গী ৱারীমচা ইবী অমনা ১৯৮৭তা 'কদায়দনো' কৌবা উপন্যাস অমা ফোঙলকখি। অইবী অদু কনানো? *: নী দেবী*
৫। ''মায়কৈ অমরোমদা মপুরোইবগী মফমদগী শর্মিন্দানা মচাগী পাউ তাবদা পুন্সি চুপ্পা খুদাং পিফম কংদনা লেনখি।'' পরেং অসি 'কল্যানী' কৌবা উপন্যাসতুগী অরোইবা পরেংনি। অইবদু কনানো? *: তোকপম বিধু সিংহ*

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ ৮৫গী পাউখুম ৩/৩ চুম্বা য়াওদবনা হন্দক্কী মনা থমজদ্রে।

ৱারী ককনাউ

# ইমাগী ইবুংঙো

ইনে তম্ফাদু নিংথমথাগী নোং চেনবা অঙাংবা নুংশিৎনা মশাদা য়ৈরসু থোইদোক্লা অঙাংবা ফাওদে, মদুগী মহুত্তা তাঙলবা লাইবক্তা হুমাংদুম মরীক-মরীক কারক্লে। ঙসাই অয়ূক অঙনবদগী লৌবুক্তগী ফোইদুনা মল্লকপা পেরুক খরনে, ইঞ্চোলদা পানবা খামেন খরনে, অতৈ মনা-মশিং খরগা লোয়ননা কৈথেল কারকপনি। মানা কৈথেল য়ৌরকপদু খরসু থেংদোকখ্রে। হেক য়ৌবদগীনি অতিয়াসি ঈরাং অমা তৌরিসে। অদুনা মী পূম্নমকশিং অসিনা লৈগদবা পোৎ চৈশিং অউ-অউবা তাপ-তাপ লৈরগা চৎনখি। মচিন্দসু ফম্বা ফংহৌদ্রবী ইনে তম্বাদু চেরং মচেৎ অদুদা মানা পুজরকপা পোৎ চৈশিংদু চগুংননা থাজে।

থাবদা ঙাইরি থনা কাঙবু লাক্তুনা পোৎ চৈশিংদু অমুক চাইখাইবিরে। থুনা খোমজিন্দুনা মচি অমদা লোৎলি। থনা চৎখ্রবা মতুংদা অমুক চেন্থোরক্তুনা মচি অমদা পোৎতু থারি। নুমিৎ তাশিল্লক্লে। মচাসু কন্না লাইহৌ হৌদুনা নাহৌরি। ঙরাংদগী চফম ওইবা য়াবা করিমতা চাউ থকউ হায়বা য়াদে। ঙসাই অয়ূক্তু মাগী ইঞ্চোলদা পানবা মপূং ফাবাৎত্রিবা খোমদ্রুম অমা হেক্লগা চম্ফু ফুৎপনি, মচেৎ অমতং চাই। অনীরক শুনা চানীংদে হায়না চাদে। নাহেদুনা লৈহৌরি। তৌবুদি মচাদু নুমিৎ মরি মঙানি শুরবনি নারি-শারি তৌরিবা ঙরাংখক্তদা খঙহেন হেনজিল্লকপনি। মানা নাদ্রিঙৈদদি পেরুকমক্তা হেক্লবসু মচানা মতেং য়াম্না পাংবিবনি। মমিৎতা মচানা তুম্পক তাদুনা হিপহৌবদু উরকই অমদি নাহেহৌবদু নাকোংদা তারকই। পোৎতি অমত্তসু য়োনদ্রি, কমাই তৌদৌরি খল্লি। অশিৎপা খরনা ফার্মাসিদা হংলগা মচাগী হীদাক খরা লৈখিগে অদুগা চেঙসু ৱানখিগে খনবনি, পোৎতি শিৎত্রি।

শুম মম্বা হেনজিল্লকই। নোংসু থিৎলি-থিৎলি চুবা হৌরকই। নিংথমথাগী মতমগা ওইবনা কনাসু চোৎনীংদে। অদুক য়াম্না চিল্লম্বা মীশিং অদু কমদৌনা মাঙখিবনো খঙদে। চাউখ্রবা কৈথেলদু মী ইতাক তাকই। ইনে তম্ফা ফার্মাসি মচি অমদা মাগী পোৎতু থাবা চন্দ্রবনিনা খজিক্তং উহল্লগা নোং থুপ্পা ওইনা লেপ্পী। নোং মরক্তুদা কনানা মাগী মনাক্তা চঙলক্তুনা পোৎ লৈবিরনি। কপনীংবা অমা য়াওশিল্লকই। ইনে তম্ফা মম্বা হেনজিল্লকপা, নোং কনশিল্লকপদা লাইবু কন্না ৱারৌরকই।

মতমদি শুম থেংজিল্লকই। নোং কাবক-কাবক হাংলকপদুদা ফার্মাসিদু থোঙ লোল্লগে হায়রক্লে, অতৈ দুকান অয়াম্বসু থোঙ লোইনা লোন্নখ্রে। মচাগী হীদাক লৈনীংবনি অদুবু শেল অমত্তা য়াওদ্রি। উনা-উনা ফার্মাসিদু থোঙ লোনখ্রে, করিসু হায়হৌবা নংহৌদ্রে। করম্নসু হায়রুনি, শকসু খঙনদবা ফার্মাসি মপূদুদা হীদাক শোৎকে হায়রুবদা কনানা য়াবিরক্কনি। নোং থুপ্লম্বশিংসু হাংলকপদুদা লোইনা চৎনখ্রে। ইনে তম্ফা মথন্তা দুকান মমাঙদুদা মৈসু অমত্তা থান দনা লৈহৌরে।

হৌজিক্তা খঙলক্লে, মখোয়গী লম য়ৌগদবা গাড়ীদু চৎলম্বা য়ারে। ইপা পাখৎনা মাগী পোৎতু থুমোক্তা নমশিন্দুনা হাপচিল্লে, গাড়ী থাফম তান্না তনচেন চেল্লকই। গাড়ী লৈরমদ্রে। নোংগা তাবদুদা থেংগা থেংজিল্লকপদুদা, গাড়ী দ্রাইভরদুসু কনা ৱাৎলি হায়বা য়েংদনা চৎখ্রে। হৌজিক কমদৌদৌরি, ময়ূমদা মচা নাহৌরি। হীদাকসু লৈদ্রি, চেঙসু ৱানদ্রি, পূম্নমকসি তোক্লসি করম্না ময়ূমদা হনগনি। মখোয়রোমগী ওটো নৎত্রসু অতৈ গাড়ী লৈরিবরা হায়না নুংশা থীনা কোয়চেন চেন্দুনা থিরি। অমত্তা থেংনদ্রে। থম্মোয়দা চোঙবা মীহুন মখোল হৌবা হেনগৎলকই। মখোঙনা ময়ূম মায়কৈ তপ্না তপ্না পাংবা হৌরকই। ফনা শাংনা লাক্লে, মখোঙ থাঙবা থোক্লক্ত্রে, ৱাখল ময়ামদুনা মকোক ঙাওরকই। তুমিন্না ঙাইহাক ফম্লগা লৈরিঙৈদা মখোয় লৈকায়গী অঙাংশিং ট্যুসন তৌবা নিংথেম্বনা মাগী স্কুটরদু থুৎ-থুৎ ঙংলগা কৌরকই।

''ইনে, ইনে তম্ফা নত্তব্রা?''

খোঞ্জেলদু তাবদা ইনে তম্ফা ফুক হৌগৎলগা য়েংই। নিংথেম ওইরম্মী, হরাউবনা লুতোন শাৎলবা ইনেনা,

''নিংথেম নৎত্রা? নিংথেম ইনে গাড়ী ফংহৌদ্রে, পোৎসু অমত্তা শিৎহৌদ্রে''

''য়ানি ইনে ঐগী হনখ্রসি লাক-ও লাক-ও'' ইনে তম্ফা নিংথেম্বগী গাড়ী মনিংদা তোংদুনা ময়ূম মায়কৈ পাংলকই। লম্বীদা খল্লি, মচাদুবু কমদৌরমগদগে?

উচিন নাচিন্না ময়ূমগী থোঙ্গালদা নিংথেম্বনা, ''য়ারেকো ইনে'' হায়না থনম্মে। ইনে তম্ফা থুনা ময়ূমদা চেনশিল্লকই। মচাগী মনাক্তা চঙই। মচাদু নুংঙাইনা তূমদুনা লৈরম্মী। মচাগী মনাক্তা ফমথরে, মমায় পায়দুনা য়েংই। শ্বর হোনবগী খুদম ফংদে। মুন্না য়েংই, মশাদা পাখৎপা অমা য়াওরকই।

''ইবুংঙো, ইবুংঙো, ইমাগী ইবুংঙো?'' মশা নোম-নোমদুনা কন্না কন্না কৌরকই। অদুবু মচাদুদি খুল্লক্ত্রে।


''ইমাগী ইবুংঙো, ইচাগী হীদাক লৈরক্তে হায়দুনা ইমাবু ৱারৌরব্রা, সে হৌগৎলো, ইমা হল্লক্লে, ইমানা ঙসাই অয়ূক ফুৎলম্বা চম্ফু লৈরি, নবুক থন্না চাখো, নহাক চৎখিবা য়ারোইয়ে, ইমাগী ইবুংঙো...'' ফনা য়াম্না হৌনা লাউ লাউদুনা মপূক্লিং পেন্না কপচরি। অদুবু কনানসু কৈদৌরে হায়না হংলদে। ইনে তম্ফাগী মীকপ খোঞ্জেলদি নুমিদাংগী অহাংবা নিংথমগী অতিয়াদা তিনখ্রি।

- *নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

*মতম মতমগী ৱাফম*

# করিগীদমক ইরিবনো ?

## কবি কীর্ত্তন কৎচখিবা ওঝা শ্রীবীরেনবু নীংশিংলকপা।



নোংথোম্বম শ্রীবীরেন



নেপোলিয়ান বোনপার্ট

কনাগুম্বনা ৱাসে হেক হায়বদা, হংবদা লায়বগী ৱানি পাউখুমদি পীবা লুগনি মদুদি - *করিগীদমক ইরিবনো?* ৱাহং ওইনা হংগে হায়রগদি য়াম্না হংবা য়াই - *কনাগীদমক ইবনো? কৈদৌরুবদগী ইরিবনো ? কদায়দা ইরিনো ? কনানা ইয়ু হায়বগে ?* ৱাহংসি ইমান মান্নবগুম তৌবতনি। মান্নবসু মানবনি। তোঙাল্লি, পাউখুম তোঙনগনি। চহী খরগী মমাঙদগী, সাহিত্য অকাদেমী নই দিল্লিগী থৌরমদা - *'ৱাই সুদ আই রাইদ ? 'ৱাই দু আই রাইদ ? ঐনা করিগীদমক ইরিবনো ?'* হায়বসিদা ৱা ঙাঙহন্দুনা খন্ন-নৈনবা হৌখ্রে। সাহিত্য অকাদেমি নই দিল্লিনা মরক মরক্তা অসিগুম্বা ফিদম্নফম ওইবা হীরম পুথোকলকপসি থাগৎনিংঙাইনি। মসিনা নৌনা হৌগৎলক্লিবা খোরিলাংবশিংদা (য়ং রাইটরশিংদা) ৱাখল খলহন্নবা অমদি অফবা অচুম্বা পরমদা লাক্লবগী লম্বেল অমা পীবনি হায়না লৌগনি। ৱাফমসি খোরিরোল শুরিবশিংদা য়াম্না মরুওইবা অমনি।

সাহিত্যদি সমাজগী মিংশেলনি। খোরিরোলদি খুন্নইসিগী শকয়েংফম্নি। অইবা অমনা ইথোকলকপা ৱাহৈদা ফোংদোকলক্লিবশিংদা অইবগী খুৎইগী মতুংইন্না মচৎ খায়দোকই। মহাক্কী অপাম্বা চৎলিবা মাইকৈ, হায়নিংলিবা, তম্নিংলিবা খূদিংমক মহাক্কী খুৎইদা মমি তারি। নাক-য়েৎ, অকোয়বগী ফিভম খূদিংমক মহাক্কী খোরিরোলদা মমি তারি। মসিনা ওইবা তাই, খোরিরোলদি খুন্নাইগী নৎত্রগা সমাজগী মিংশেলনি হায়নরিবসি।

*'অইবা'* হায়বসি অরৌবা সবজেক্ট অমগুম লৌবা য়াবদি নত্তে। *'অইবা'* অমা ওইরক্লবগী তম্ফমসু লৈতে । *'অইবা'* হায়বসি লৌনগনবা লায়নাসু নত্তে। ইননবগী, ইরক্লবগী ফোর্মুলা লৈতে । *'অইবা'* হায়বসি লাইরবা, লাইরিক হৈজদবা, তোল্ল-তারবশিংতনা ইগদবা নত্তে। লাইরিক হৈরবা স্কোলারশিং নিংথৌ, পণ্ডিত,ডাক্তর, ইঞ্জিন্নিয়রশিংতনা ইগদবসু নত্তে । অইবদি শম কোই শাংগদবা, শম তেন্না ককপা, কোক তাংগদবসু নত্তে । কনাগুম্বা শিনফম অসিদা তূম্বা চাবা খঙদনা লাইরিক পাখিবা, ইরক্লবা হোৎনবদা ৱাখলনা ফুম্বংনখিবদগী শেৎকনি চাগনি খঙখিদ্রবা শক্লাইখিবা অইবা ওঝা, স্কোলরশিংদি লৈখি। মখোয়গী মফমদদি তোঙানবা ফিদম্নফম, শাজৎ লৈগনি। মখোয়দি অতাঙবনি, খরতনি। লাইপোক্লি হায়নরিবসি মখোয়বুনি। হায়জনিংলিবা ৱাফমদি অইবগী মপূ লৈতে হায়বসিনি।

চে অমা কলম অমা পায়রগা ইরগেদো হায়দুনা ফম্বদা ইবা ঙমদবা, ৱাহৈ লাক্তবা মীসু লৈরিবনি। লাইরিক্তি য়াম্না পাজবা, ঙাঙবসু য়াম্না ঙাঙজবা, হীরম খূদিংমক্তা খঙবা মীসু লৈ । লাইরিক ওইনা ইদুনা ফোঙবদি তৌদে। ইনিংদবদগী নৎত্রগা ইবগী ৱাখল্লোন থোক্তবদগী ইবা ঙমদবসু ওইবা য়াই। বি.এ, এম.এ ঙাক্তনা লাইরিক ইবা ঙমনদে। মহাকবি হিজম অঙাংহল ক্লাস য়ামখিদে থাইনগী ক্লাস ফাইবনি। মালেম শিনবা থুংনা ফাওরিবা সেক্সপিয়ার, এম.এ নত্তে, মহা কবি কালিদাস এম.এ. নৎখিদে, অতৈসু য়াম্না লৈরি। নাকল অমরোমদা অমুক পংই ইবা নত্তবা, খরা হেন্না খন্তনা, সাইকোলোজি, ফিলোসোফি য়াওনা মনুং হঞ্জিন্না ইনিংবদগী ইবদা মতম চঙবা, ফুম্বংনরকপা, কোইচৎ চৎনিংলকপা অইবশিংগী মরক্তা য়াওখি। শক্লাইখিবা কবি শ্রীবীরেন্না হিংলিঙৈদা শোল্লবা মশা অদুনা কন্থি থোক্লা নীকপা মখৈ থম্মোয়নুংদা লাওখি। কলম মচিন্না চেবাংথক্তা নম্লগা থম্মোয়গী ৱাহৈদু ফাওনা ইথোকলকই *''...ৱাহৈ পীয়ু ইমা ৱাহৈ পীয়ু..।''* শৈরেংনি পংহায় হায়বনি হায়না লৌবা য়াদে। অশেংবা ওঝা শ্রীবীরেনগী থম্মোয়নুংদগী লাওখিবনি। ওঝাগী মশাদু খোরো খোরো খোৎলি। ফুক ফুক হৌগৎলি। ৱা ঙাঙবদা খঙহায় খঙহায় হায়বা হৌরকখি। ওঝানা তাকপীরম্বা ৱাহৈ অমখক ঙসি ফাওবা নীংশিংদুনা লৈ। *''নহাক্লা লাইরিক অমা কা মনুংদা পাবদা কা মনুংগী থোং থোংনাউ লোইনমক লাওনা হাংলগা পাউ। লাইরিক পারিঙৈদা মপান্দগী শিৎলকপা নুংশিৎনা থোংনাউদা হুমজিলহল্লক্তুনা হকচাংদা য়ৈহল্লু তৌবতবু মপান্দগী শিৎলক্লিবা হুমজিলক্লিবা নুংশিৎনা নশাবুদি কা মনুংদগী চিংদুনা পান্দা পুহনখিনু।''* করি হায়রিবনো ঐ খঙখিদে । কোন্না মমি শাম্মি মাহৌই। 'ইবা' হায়বসি ইশাগী ওইবা ক্রিয়েটিব হায়বসিনা শেমগদবা মরুওইবা পোৎথোক্নি হায়বসি পাউখোং ওইনা চল্লগা খঙহনবীরম্বা ওইরম্মী। হোরেলদগী হয়েংদগী ইরগে হায়রগা অইবা ওইবা য়ারোই। অইবদা মফম মতম, লাইর-ইনাক খুনবা লৈতে। অদুদি কনানা ইগনি ? স্বাইসিদনি কবিদি অইবদি লাই তোংলিবা মাইবী অমগুম্বনি হায়রক্লিবসি। মাইবীদি লাইবাও চেনবদা মশা খঙদে, অইবদি মাইবীগুম মশা খঙদনা ইবা য়াদে। পূক্লিংদা ফাওরকপা হায়বা অমা য়াওদ্রবা, করিগুম্বা ইথিল অমা ফাওরক্লিবা মহাক, ইথিল অদুবু ইথোক্লিংলিবা মহাক অদুতনা অইবা ওইগনি। ইবসি 'আর্ট অমনি' কনাগুম্বনদি হায়বা য়াওই । *'আর্ট অমনি'* হায়দুনসু লাই য়েকপদুদি নত্তে । লাই য়েকপসু মরোল লোল্লি। অইবনা লোল্লিবা মরোলগদি মান্নদে। অইবদনা মরোল লোন্নবগীদমক ৱাহৈ চংই। লাই য়েকপদনা লাইনশিং চংঙি,মচুগী মতেং লৌই। খুফোংদোকশিং খেন্নৈ।

ওঝা শ্রীবীরেন্না মহাক্কী খোরিরোলদা হায়রিবা *''...ৱাহৈ পীয়ু ইমা ৱাহৈ পীয়ু..।''* হায়বা অসিগা নেপোলিয়ান বোনাপার্টনা *'ঐঙোন্দা অফবা মমা অমা পীয়ু অফবা লৈপাক খুন্নাই অমা পীগে'* হায়বা ৱাফম অনীসি নৈনবা য়াই। ওঝা শ্রীবীরেন মণিপুরী খোরিরোলগী নেপোলিয়াননি হায়নিংঙি। ৱাহৈ পীয়ু ইমা হায়রিবসি ইননবা অফবা, ফজবা মচাক পীয়ু,খলহল্লু হায়জবনি। খোরিরোল চাউখৎনবা ইমা লোনবু নুংশিজবা, ইমা লোনবু চাউখৎনবা অৱাংবা থাক্কী লাইরিক পুথোক্কে খন্দুনা হায়জবনি। ঐনা করিগী ইগদৌরিবনো ? কনাগীদমক, কৈদৌবগীদমক ইগদৌরিবনো হংলিবা ৱাহংগী পাউখুমসি ওঝা নোংথোম্বম শ্রীবীরেনগী ৱাহৈসিদা য়াওরে হায়না খঞ্জে।

বঙ্গালি অইবা অমখক্লা হায়খিবা অমা লৈ- **I get happiness to release my emotions through simple words.** কনাগুম্বা অইবা অমনা মহাক্কী পূক্লিংদা ফাওরকপা ৱাখল্লোন অদু ইথোক্তুনা মীঙোন্দা খঙহনবা অসি অইবগী অপেনবনি। পাউখুমসিখক্তনদি অইবনি হায়বা য়াদ্রি। ৱাহৈগী মতেং লৌরগা থম্মোয়দা ফাওরকপা খরা ইথোক্লগা লাইরিক ওইনা পুথোকচবা মদুখক্তনা অইবগী অপেনবা ওইরে হায়না মমল লেপ্পসু য়ারোই। পৈশা পায়রে নৎত্রগা ঐগা খঙনবা লাইরিক নম্ফম লৈরে, ঐনা ইজবা ৱারেং,শৈরেং খরসু লৈরে লাইরিক ওইনা ফোঙদোক্লগে হায়না ইচম চম্না খঞ্জদুনা লাইরিক ফোঙজবা মীওই লৈরম্বসু য়াই। মহাক্কী পান্দম অদুসু অইবা অমা ওইনা মপুং ফাদ্রি হায়গনি। লাইরিক অমা ফোঙলগা ইজরিবা খরদু মীনা পাবীবদগী ফজে, নুংঙাই হায়রকপদা অইবা খুদিংমক্লা হরাউফম থোকই। মদুদা পেঞ্জরদুনা লাইরিক অমা অমুক ইরগা ফোঙলগে হায়দুনা পংফোঙদা ফোঙবসু অদুম মরৈ। হৌজিক মণিপুরী খোরিরোলদা লাইরিক য়াম্না ফোঙনরিবসি শৈরেংনি। অইবা অমনা অহানবা খুৎমাবসি শৈরেংদা ওইগল্লি। শৈরেং ইবসি লায়না থোকই অদুননি হায়নবসু লৈ অদুবু খ্বাইদগী লুরিবদি শৈরেংনি। অকক্লবা ৱাহৈ খরতনা ৱাহন্থোক লীশিং কয়াগী মহুৎ শিন্দুনা ইগদৌরিবসি অরায়বা ওইরোই।

শৈরেংবু ওইরো, ৱারেংবু ওইরো, ৱারী মচাদা, নোভেলদবু ওইরো অপাম্বা মখলদা,মওংদা ইবদি অইবগী অপাম্বা হৈনবীগী মখা পোল্লি। অইবা অমতনা ইরমদাইদা ঐনা ইরিবসি করিগীনো, কনাগীদমক ইরিবনো হায়বসি খন্নদে। খনফমসু থোক্তে। অইবী ইমাসি বিনোদিনীনা হিংলিঙৈদা ঐখোয়দা তৎতনা হায়, *ইবগী মরমদা ঐ করিমত্তা খঙদে। মনিপুরগী অইবা অইবীশিংনা য়াম্না তোয়না হায়নবা এলেগোরি, আইরোনিকেল, মেটাফর কা হায়বদু ঐ করিমত্তা খঙদে। রস করিনো ঐ খঙদে । অদুবু ঐনা ইরিবসিদি- ঐঙোন্দা ফাওরকপা, হায়নিংবা তম্নিংবা কয়াদু লেঙথোক্লগা ইবনি।* ***Really, I write what I feel*** । ইমাসিগী ৱাফমসি চুমগদবা মাল্লি। ক্রিয়েটিব রাইটিংদা ফোর্মুলা,সচা ময়াম অমা পীশিল্লগদি অইবগী ফজবা ফংগদবা মান্দে । মরম ময়াম অসি লৈবনা, মাগী মাগী অপাম্বা অনীংবদা, হৈনবীদা ইনবনি। অইবদা মনিং তম্বা পীদ্রগদি অফবা ফংদে হায়বসি চুম্লগনি।

লাইরিক হায়বসি মীয়াম্না পাবীনবনি। পাগদৌরিবসিগী মরম লৈগনি। পাগদৌরিবসি ৱাখলগী পূক্লে হেনগৎনবা, কান্নবা ফংনবনি। মীনা পানিংবা ৱাৎপা লাইরিক্তি ইরকপগী কান্না লৈতে। মশক নাইবা অইবদি মরম চানা লাইরিক তাঙনা ইদুনা পুথোক্লে। মশক থোক্লা পুথোকল্লি। অদুনা মখোয়না ইথোকলকপদা, পুথোকলকপদা লাইরিকশিং অখন্নবা ওইগল্লি।

ওঝা নোংথোম্বম শ্রীবীরেন্না খোরিরোলবু অসুক্কী মতীক নুংশিজখি। চৎপদা,ফম্বদা খোরিরোলগী ৱাখল ঙাক্তুনি। ঐখোয়গী খোরিরোল চাউখৎনবা অখন্নবা ওইনা *কবি কীর্ত্তণ, ৱাকমা হোংবা* হায়দুনা কুমশীং ২০০৪দগী লেপ্তুনা মশামক্কী য়ূমদা দিসেম্বর ৩১দা পাংথোকপা হৌরকখি। মশানা হিংলিঙৈদা লেপ্তুনা চহী ৫ হেন্না থংনা থংননা পাংথোক্তুনা লাকখি। অরোয়বা ৱাকমা হোঙবা থৌরম শ্রীবীরেন্না লৈখিদ্রবা মতুংদা তরেৎশুবা চহী ওইনা,নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিটিনা শিঞ্জদুনা ২০১৬ পাংথোকখিবদগী হৌজিক ফাওবা লেপ্লি। মণিপুরগী অইবা অইবী ময়াম ৱাকমা হোঙবদা উন্নহনখি । শৈরেংগী মহাউ মীয়ামদা নীংশিংমিন্নহনখি । মণিপুরগী মমিং লৈরবা অইবা অইবীশিংনা, *করিগীদমক ইরিবনো* হায়বদু *ৱাকমা হোংবা* অদুনা কাউদবা খুদম থমখি। হৌজিক্তি খঙলে মদুদি-অইবশিংনা ইরিবসি মশাগী ৱাখল্লোন ফোঙদোকপা ওইরবসু মীওইবা খুন্নাইগীদমক্লি, লোনবু নুংশিবা অমদি চাউখৎনবনি। ওঝা শ্রীবীরেন্না মহাক্কী সনাগী থম্বালদা ইরম্মী- *'ইবুংঙো নঙনা পীনবিরে ঙসিদি ঐঙোন্দা পুন্সিসে সনাগী থম্বাল ওইনা লৈহিনা নীক নীক লাউরবা লৈনা লিশিং লিশিং পাল্লিবা, লৈরিক্লা য়োন্নিবা লৈয়োনগী নুংশি খোইথুম্ন রবা লৈনম্না ফুং ফুং লাউরিবা, মপাল নাইদ্রবা মঙালগী মশেক্লা পূমঙাল ঙান্দুনা মতম পূম্নমক্তা অনৌবা অয়ুক..।✌*

*-মাখোনমনি মোংসাবা*

# নোংমগী ইশিনবা লেপকনু

নুংতিগী ইশিনচে অমা শূবা হায়বসি ইশাগী চাওখৎপা পুরক্লবগী অচৌবা খোঙথাং অমনি। নোংমগী মনুংদা ফংলকপা হকথেংনলৌশিং অদুগা লোয়ননা মদু ফংবা মতমদা নহাক্লা খঙহৌবশিং অদু ইশিন্দুনা থম্বা হায়বসিনা নোংমা নোংমগী নহাকপু শিংবা অমদি খঙবা হেনগৎহনগনি। ইশানা ইশাবু খঙবগী চাংসু হেনগৎলক্কনি, অদুগা অশোয়বা অরানবা তৌবসু অসুম হন্থরক্কনি। অসুম্না নুংতিগী ইশিনচে অমা শূবনা তৌগদবা থবক ময়েক শেংহনবতা নত্তনা তৌগে খল্লিবা অদুদগী পূক্লিং চোইথোক্তনা ইশাবু থম্বা ঙমগনি।

ইশিনচে অমদা ইশিনবগী থবক তৌবনা ইশানা ইশাগা হকথেংননা ৱারী শানবগী খুদোংচাবা অমসু পীরি। ৱাখল লুনা খন্থবা কাউনরবা মতমসিগী তাইবঙসিদা মসিনা নঙোন্দা ৱাখল মনুং ফংনা খন্থহনগনি। মসিনা নঙোন্দা ময়েক শেংনা ৱাখল খনবসু ঙমহনগনি অমদি হেন্না মঙাল ফংলবা পুন্সি মরেল অমা হিংহনবসু ঙমগনি। মসিগী মথক্তা অচৌবা মরু ওইবা ৱাফমশিংগী মরমদা ইশাগী নুংগী মীৎয়েং অদু লাচন তৌনবা ইতিনফম অমসু পীরগনি, তৌরুবা থবকশিংদা মায় পাকপা পুরকখিবা ইশানা শীজিন্নখিবা পোরমশিং অদু কাউদনবা ইশিন্দুনা থম্বা ঙমহনগনি। মসিদসু নত্তনা অৱাংবা থাক্কী শিনফমগী ওইবা, লন্নাইগী ওইবা অমদি থৱায়গী লম্বেলগী মরুওইবা থৌশিং অদুদা মায় ওনশিনবা ঙমহনগনি।

ইশিনচে হায়রিবা অসি দাইরি নত্তে। দাইরি হায়বনা থৌদোকশিং ইশিনফম অদুনি, ইশিনচে (জর্নেল) হায়বসিনা মখোয়শিং অদুবু নৈনরগা অফ-ফত্ত চাং ওনফম অদুনি। ইশিনচে থম্বনা নহাক্লা তৌরিবা থবক্তু করিনো, মদু করিগীদমক্তা তৌরিবনো অদুগা মদু তৌবদগী করি খঙলবগে হায়বা পূম্নমক্তু খন্থহনবা ঙম্মী। অমরোমদনা ইশিনচে তত্তনা ইশিনবা অসিনা ইশাগী ৱাখল লৌশিং চাওখৎহনবদা নৈনবগী থবক তৌফম অমা পীদুনা মতেং ওইহল্লি, অদুগা নহাক্কী হৌখিবা মতম্বু মাঙদা থমদুনা নহাক্কী তুংদা ওইরক্কদবা পুন্সিদা হেন্না মায় পাকপা পুরক্লবা লম্বী অমা ফাৎপা ঙমহল্লি। অনা লায়েংগী মতাংদা থিজিনবা মীওইশিংনা লন্নাই ইশিনচেদা নোংমগী য়ামদ্রবদা মিনট ১৫দা ওইরবসু ইবনা হকচাং ফগৎহল্লি, লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্লবা ইশাগী পাঙ্গল কনখৎহল্লি অমদি নহাক্কী অপূনবা শাজৎ-পুজৎতা অহোংবা পুরকপা ঙমহল্লি হায়বসি থেংনরে হায়রি। নীংশিংগদবদি, নহাক্কী পুন্সি অসিগী মরমদা ৱাখল তৌনীংঙাই ওইরবদি মসিগী মরমদা ইবদি য়াইনা।

*(বি এস রাজকুমারনা মীতৈলোন্দা হন্দোকপা রোবিন শর্মাগী লাইরিক 'নহাক্লা শিরগা কনানা কপহৌগনি?' হায়বদুদগী লৌখৎচবা)*

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*